FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	81.999463
US Dollar	75.838862
British Pound	93.956748
Australian Dollar	48.866174
Chinese Yuan Renminbi	10.684693
Japanese Yen	0.714705
Malaysian Ringgit	17.540811
Singapore Dollar	53.457303
South Korean Won	0.061946
Saudi Arabian Riyal	20.223697
Thai Baht	2.340454
Myanmar Kyat	0.05463
Bangladesh Taka	0.89463

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	45652.00
Mumbai	–	Rs	45838.00
Delhi	–	Rs	45789.00
Kolkata	–	Rs	45858.00

GAS NEWS

GBD, LAMLONG
Booking Upto: 20/01/2020
Valid From: 08/01/2020
Stk: 176
All Customers are Home delivery
Working Hour: 07.30 am-12.00 noon
Contact No. for Refill order & Enquiry only 7629947179
Contact No.for Booking only-7629947187

HRANGCHAL GAS, OLD LAMBULANE
Booking Upto: 24/02/2020
Valid From: 21/02/2020
SMS Booking: IOC <SPACE> 03852444677 <SPACE> Consumer No.
Send to 9089024365
Home Delivery only
Booking Only: 03852444677
Enquiry Only: 9436280866
(Call+Whatsapp)
Timing: 08.00 am-12.00 noon

HARAN VALLEY, KWAKTA
Booking Upto: 29/01/2020
Valid From: 20/01/2020
Please Contact:
7085412118
Timing: 07.30 am-10.30 am

IMPHAL LPG SERVICE
Sl. No.– 17918
5 Kg Available
Booking Upto: 07/03/2020
Valid From: 13/02/2020
Timing: 08.00 onward
Home delivery Only
Contact: 6009392991
Deliever at godown

K & K INDANE SERVICE
Booking Upto: 04/03/2020
Valid From: 21/02/2020
Timing: 07.30 am-11.00 am
For Telephonic Gas Booking Call & Whatsapp
Mobile Nos.
8794267533/8794081549
Timing: 08.00 am-12.00 noon

KHORIPHABA LPG SERVICE NAMBOL
Sl. No. Upto – 68901
Booking Upto: 29/01/2020
Home Delivery Only
Contact Nos: 9366471778, 8837283972

KHONGNANG (BISHNUPUR)
Booking Upto: 18/01/2020
Valid From: 15/01/2020
Please Contact: 7085412234
Timing: 07.30 am-10.30 am

SAWOMBUNG'S INDANE
Booking Upto: 27/02/2020
Valid From: 10/02/2020
Stk: 306
Home Delivery Contact No. 6033854884
Timing: 08.00 am-11.00 am

MM GAS SERVICE
Booking Upto : 10/02/20
Valid From: 03/02/2020
Home Delivery Only
Timing: 8:00 am - 11:00 am
For Thangmeiband Area Please Contact/Sms/Whatsapp To 8131852580 /8257056190
For Uripok Area Please Contact/Sms/Whatsapp To 6009885600/7629852810
For Others Area Please Contact/ Sms/Whatsapp To 9862792731/9612009063

MAHALAKSMI INDANE
Booking Upto: 22/02/2020
Valid From: 21/02/2020
Only Home Delivery
Contact Timing: 10.00 am-12.00noon
Contact Nos.
9862312969/8414929709

MAIBIA GAS MOIRANG
Booking Upto: 17/02/2020
Valid From: 09/02/2020
***Stk**: 306*
Home Delivery Service
Contact Nos.
1.Dilip: 6909152567/ 9612883295 (Moirang A/C)
2.Ajay:7005667570 (Thanga A/C)
3.Rojen:8787381746(Kumbi A/C)

MANIPUR GAS
Booking Upto: 23/02/2020
Valid From: 03/02/2020
Home Delivery Only
Contact Nos.
8730954041/8259969582, 7005728461
Contact Timing: 07.30 am -11.00 am

MANIPUR POLICE GAS SERVICE
Delivery for date 12/02/2020
For Telephonic Booking and Delivery Inquiry
Contact nos.
81310 89612 /9863711166
Timing : 11.00 am to 2.00pm

MISAO GAS SERVICE
Booking Upto: 07/03/2020
Valid From: 20/02/2020
Only Home Delivery
For Delivery Please Contact:
7085738631/8119967523
Call Timing: 8 am – 4 pm

RBD INDANE GAS
Booking Upto: 20/02/2020
Valid From: 09/02/2020
Stk: 508
All Customers are Home Delivery
Working hours: Timing:07.30 am-12.00 noon
Contact No. for Refill Order & Enquiry only
7629947172
Contact No.for Booking only-7629947182

PATSOI INDANE
Booking Upto: 12/02/2020
Valid From: 21/01/2020
Stk: 306 (DBTL Only)
Timing: 08.00 am-10.00 am

YAIRIPOK GAS SERVICE
Booking Upto: 08/03/2020
Valid From: 01/03/2020
Stk: 306
Call Timing: 8 am – 12 noon
Home Delivery Only
Contact: 9366351735, 7005022459, 9856704591

J RONGMEI SK INDANE WANGOI
Booking Upto: 14/02/2020
Valid From: 11/02/2020
Timing: 06.30 am-09.30 am
Contact Nos: 6909963855/ 9774314973, Home Delivery
(Blue Card hanna pisinbiyu)

KHUMBONG INDANE
Sl. No. 250
Booking Upto: 21/02/2020
Home Delivery only
Contact Nos.
7005771527/9774679422
Timing: 07.30 am-10.00 am

থৌবাল তুরেলদা নুঙ, লৈঙোই পেকপদগী ঈশিং মোৎশিল্লকপনা অৱাবা মায়োক্লরি : ক্লব

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

থৌবাল তুরেলদা নুঙ, লৈঙোই পেকপগী থবক চত্থরকপনা ঈশিং মোৎশিল্লক্লি হায়না য়ুথ স্পোর্টিং ক্লব, খুন্দোংবম লৈকায়গী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কোভিদ-১৯গী চৈথেংনা মীয়াম খম-থেংনা অৱাবা মায়োক্লরি। নোংমগী শু-নোম্লগা হিংবা মীওইশিংদি হেন্না অৱাবা মায়োক্লরি। মীওইবনা হিংবদা য়াম্না মরুওইরিবসি ঈশিংনি। ঈশিং য়াওদনা মীওইবা অমত্তনা হিংবা ঙমদে। থৌবাল তুরেলদা নত্তনা মণিপুরদা চেল্লিবা তুরেলশিংদগী মফম খরা নত্তনা নুঙ, লৈঙোই পেকপা য়ারোই হায়বা ৱাফম লৈরি। ওর্দর অসিগী মায়োক্তো কনাগুম্বা মীওই খরনা অসুক য়াম্না মীয়াম্না ঈশিংগী ৱানরবা মতমসিদা অচৌবা মখল কয়াগী মেছিন শীজিন্নদুনা নুঙ, লৈঙোই পেল্লগা মীয়ামদা অৱাবা পীবসি চুন্নিব্রা হায়বা ৱাফম লাক্লি। নুঙ, লৈঙোই পেল্লিবা মীওইশিংনসু খরদি খন্থবা চুমগনি। মীওই খরখক্কী খনবা চুল্লোই।

অন্দ্রো, ৱাংখেম, থৌবাল, হৈরোক, ৱাবগাই, লিলোংগী মীওই লাখ ২.৫ হেনবনা নোংমগী লেপ্পুনা শীজিন্নরিবা অসিবু করিসু খন্দবা হায়বসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মতম খরা ঈশিংগী মচু ওন্দুনা অফবা ঈশিং চেল্লকপদা মীয়াম্না হরাওনখি। থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেসন কম্মিটিনা তুরেল অসিবু কন্নবা হোৎনখিববু থাগৎলি। তুরেল অসিগী মপাল তাঙদুনা হিংলিবা মীওই কয়ানি। চীফ মিনিষ্টরনসু অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু। তুরেল অসিবু কনবীয়ু। তুরেল অসিগী ঈশিং শীজিন্নদুনা হিংলিবা মীয়াম্বু নুংশিবীয়ু। থৌবাল তুরেল কন্নবা টি আর সী সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা ক্লব অসিনা থৱায় হকচাং য়াওনা শরুক য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, ৱাংমাতাবা য়ুথ ক্লব থৌবালগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ৱারবা মতম অসিদা লোনা য়াদবা মওংদা নুঙ, লৈঙোই পেক্তুনা ঈশিং নৈহল্লিবসি তমথিবা লীচৎনি। থৌবাল তুরেল অসি হান্নগুম লৈনাং চেল্লে। তুরেল অসিদগী পেল্লকপা নুঙ, লৈঙোই পুবা গাড়ী কয়া লম্বীদা মনিং তম্না চেনবা উরে। মখোয়গী থবক্তা মতেং পাংলিবা এক্সকাভেটর, ট্রিপ্পর অমদি ট্রকনচিংবশিংগী মপুশিংনা মীয়ামগী মীনুংশি ফাওদুনা তুরেলদগী নুঙ, লৈঙোই পেকপা লেপ্পীয়ু। শেল ফংলগা লোইরে হায়বা ৱাখল থাদোকপীয়ু। মীয়ামগী মীচৈ ওইবা থবক তৌরগা মায় পাক্লা হিংগনি খনবীগনু। থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেসন কম্মিটিনা লেপ্পুনা তুরেল অসিবু কন্নবা হোৎনরিবা অসিগীদমক থাগৎলি। কম্মিটিনা লৌখৎলকপা তুরেল কন্নবা খোঙথাং খুদিংমক্তা ৱাংমাতাবা য়ুথ ক্লব থৌবালনা মতেং পাংগনি।

হৌজিক ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরবা মতম অসিদা তুরেলদা লোনা য়াদবা মওংদা নুঙ, লৈঙোই পেক্তুনা ঈশিং মোৎশিনহল্লি। মসিনা মরম ওইরগা তুরেল অসিদগী ঈশিং শীজিন্নরিবা মীওইশিংনা অৱাবা কয়া থেংনরি। তুরেল ঈশিং নীংথিনা থম্নবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। লোনা য়াদবা মওংদা তুরেলদগী নুঙ, লৈঙোই পেকপগী থবক লেপ্পীয়ু। তুরেল ঈশিং লূ-নান্না থমসি হায়রি।

লোকদাউন, কর্ফিয়ু লৈখিবদগী অৱাবা মায়োক্লরিবশিংদা তেংবাং পোৎলম য়েন্থোকপগী থবক মফম কয়াদা চত্থরি

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

ইন্দিয়ন মুস্লিম রিলিফ এন্দ চেরিটি য়ু এস এ অমদি সহায়াতা ট্রষ্ট হায়দ্রবাদকী শেন্থং মখাদা মণিপুর মুস্লিম ওনলাইন ফোরমনা শীন্দুনা পোর ফীদিং প্রোগ্রাম ২০২০গী মখাদা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লংথবাল খুনৌগী য়ুমথোঙ ১০০দা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

লংথবাল খুনৌ রুরেল দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগা খুৎশম্নরগা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখিবনি। চান-থক্লবা য়েন্থোকপা অদুগা মরী লৈননা এম এম ও এফকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা রিয়াজ অহমদনা ফোঙদোকখিবদা, আই এম আর সী অমদি সহায়াতা ট্রষ্টনা তোঙান তোঙানবা থীমদা লৈবাক অসিগী তোল্ল-তারবশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্লি। অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা লৈতবা মফমশিংদা ফ্রী মেদিকেল কেম্প পাঙথোকপগা লোয়ননা লেম্না হিদাক লাংথক পীদুনা লাক্লি। মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরল্লিবা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন তৌখিবদগী নোংমগী চরা তাল্লিবশিংনা থেংনরিবা চান-থক্লবা ফংদবগী অৱাবা অসি খরদা ওইরবসু কোক্লবা পান্দমদা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকখিবনি হায়নসু মখা তাখি।

অমরোমদা, লূ-নান্না থম্নবগী পান্দমদা হৌদোকখিবা স্বাছ ভারত মিসনগী মখাদা ঙসি লিলোং ইম্ফাল ৱেষ্ট ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ৱার্দ নম্বর ১গী য়ুমথোঙশিংদা দষ্টবিন য়েন্থোকখ্রে। দষ্টবিন য়েন্থোকপা অদুগী শরুক অমা ওইনা ৱার্দ অসিগী কাউন্সীল্লর চোংথাম কিশোকুমারনা অনীরকশুবা ওইনা শোত্থনা লৈরিবা য়ুমথোঙ কয়াদা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকখি।

কিশোকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা লূ-নান্না লৈবগী মিসন অসি মায় পাকহনবদা মীয়ামগী থৌদাং য়াম্না চাউই। লূ-নান্না থম্বা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা লোকদাউন তৌখিবনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। লোকদাউন খরা কোমথোকপদা মীয়ামগী অৱাবা খরমখৈ কোক্লবসু শুরগা চারিবা অমদি নোংমগী চরা তাল্লিবা মীওইশিংদা চাউনা অৱাবা থেংনরি। অৱাবা কয়া অসি য়েংলগা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকপনি হায়খি।

মরকসিদা, কংলৈপাক কনবা লূপকী সেক্রেটরি জেনরেল ঙমখৈঙাকপা লুৱাংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কংলৈপাক কনবা লূপনা শীন্দুনা হৌজিক কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন লৈখিবদগী অৱাবা মায়োক্লরিবা চীং অমদি তমগী য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা অঙম্বা মতেং পাংবগী থৌরম ৱাংখৈ মৈহৌবম লম্পাক্তা লৈবা লিজার্দ লাইব্রেরী ক্লবনা তেংবাংদুনা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা চীংগী লমগী ওইনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লুংৱিরামগী খুল্লাকপা কাবে অমসুং ভিলেজ চ্যেরমেননা লুচিংদুনা চীংদা ফংবা মনা-মশিং লফু পিস ২৫০০, লফুথরো পিস ১০০০ খুৎশিন্নরকখি। মনা-মশিং বেগ ১০ রোমসু পুরক্তুনা য়েন্থোকখ্রে। কংলৈপাক কনবা লূপকী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং ওইনা চেঙ বেগ ৪, থুম পেকেট ১০০, অচাথাউ বট্টল ৮০, তিলহৌ বেগ ২ খুদোল তমখি। থৌরম অসি মরুওইনা কংলৈপাক কনবা লূপকী য়ুনাইটিং দি ইন্দিজিনস পিপলস ওফ কংলৈপাক, দি স্পিরিট ৱাননেস হায়বা থীমগী মখাদা পাঙথোরকপা থৌরমশিংগী মনুং চন্না চত্থবনি। থৌরম অসি মখা তানা মণিপুরগী মফম শিনবা থুংনা পাঙথোক্কনি হায়রি।

অমরোমদা, অপূনবা মণিপুর হুয়েন লাল্লোং লূপকী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি মোংয়াম্বনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অপূনবা মণিপুর হুয়েন লাল্লোং লূপকী টাস্ক ফোর্সকী থৌমীশিংনা অহুম্লকশুবা তেংবাং খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ৪ দা লমদমসিদা হুয়েন লাল্লোং থাঙতাগী মহৈ চাউখৎহন্নবা স্কুলশিংদা তাকপী তম্বীরিবা ওজাশিংদা চেঙ, হৱাই, আলু, অচাথাউনচিংবা পোৎলম কয়া মতেং পাংখ্রে। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা অৱাবা থেংনরিবা কয়া অসি য়েংলগা তেংবাং পোৎলমশিং অসি মতেং পাংবনি। লূপ অসিগী মায়কৈদগী হুয়েন লাল্লোং থাঙতাগী মহৈ তাকপীরিবা ওজাশিংবু ঈকায় খুম্নে হায়রি।

এম জি এন আর ঈ জি এসকী থবক সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা শুবগা লোয়ননা শেল নীংথিনা ফংহন্নবা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

এম জি এন আর ঈ জি এসকী থবক সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা শুহনবগা লোয়ননা ফংফম থোকপা শেনফমশিং নীংথিনা জোব কার্দ হোল্ডরশিংদা ফংহন্নবা খন্নখ্রে। একাউন্ট ভেরিফিকেসন তৌনবসু খঙহনখ্রে।

ঙসি সেক্রেটেরিয়টতা লৈবা আর দি এন্দ পি আর মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎকী ওফিসতা দিপার্টমেন্ট অসিগী মকোক থোংবা ওফিসলশিং অমদি বেঙ্ককী মীওই কয়া য়াওনা মীফম পাঙথোক্তুনা এম জি এন আর ঈ জি এসকী মতাংদা য়াম্না কুপ্পা খন্ন-নৈনখি। মীফম অদুদা মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী ওফিসলশিংদা জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী অশেংবা একাউন্টশিং নীংথিনা ভেরিফাইদ তৌবগা লোয়ননা কাঙলোন চুম্না মশা-মশাদা শেল চঙহন্দুনা খুদোংচাবা ফংহন্নবা খঙহনখি।

মীফম অদুগী মতাংদা আর দি মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা, এম জি এন আর ঈ জি এসকী থবকশিং অসি য়াম্না নীংথিনা পায়খৎপগা লোয়ননা জোব কার্দ হোল্ডরশিংদসু ফংফম থোকপশিং ফংহন্নবা খন্ন-নৈনবনি। এম জি এন আর ঈ জি এসকী শেল জোব কার্দ হোল্ডরশিংদগী ককপনচিংবগী মতাংদা কমপ্লেন্ট খরা লাকখি। প্রধান নৎত্রগা মেম্বরনচিংবদা কমপ্লেন্ট কয়া লাকপা থেংনখি। অসিগুম্বা কয়া অসি য়েংলগা জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী ফংফম থোকপশিং ফংহন্নবা য়াম্না কুপ্না খন্নবনি। সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা থবক তৌবগা লোয়ননা ফংফম থোকপশিংসু মতম চানা ফংহন্নবা থবক পায়খৎকদবনি।

লোকদাউন লৈখিবনা মরম ওইরগা বেঙ্কশিংদা জোব কার্দ হোল্ডরশিংনা লাকপগী খুদোংচাবা কয়া লৈতবনা মাইক্রো এ টি এমশিং বেঙ্ককী মীওইশিং য়াওনা মফম-মফমদা চৎলগা খুদোংচাবা ফংহন্নবসু মীৎয়েং থল্লি। থবক শুবা মতমদা জোব কার্দ হোল্ডরশিংনা ফিট ৩.৫ হেন্না লাপ্পা লৈনরগা থবক শুগদবনি। জি আর এসশিংনসু থবক শুবগী মফম অমসুং রিপোর্টশিং য়াম্না কুপ্না থাগৎকদবনি। নীংথিনা চেক তৌরগা রিপোর্ট পীখৎকদবনি। করিগুম্বা রিপোর্ট পীখৎকপদা অরানবা তৌরল্লবদি জি আর এসকী মথক্তা এক্সন লৌরোইদবগী মরম লৈতে। এম জি এন আর ঈ জি এসকী মখাদা জোব কার্দ হোল্ডরশিংনা শুগদবা থবকশিং নীংথিনা খঙহনবগা লোয়ননা থবক শুবগী অকুপ্পা ৱারোলশিং অদু থাগৎকদবনি। থবকসু নীংথিনা শুহনবগা লোয়ননা ফংফম থোকপা শেনফমসু মশা-মশাগী একাউন্টতা চঙহন্দুনা খুদোংচাবা ফংহনগদবনি।

এম জি এন আর ঈ জি এস হায়বসি য়াম্না মরুওইবা স্কিম অমনি। লমদম অসিদা স্কিম অসিগী থবকশিংবু য়েংশিল্লিবা ওফিসলশিং অমদি মরী লৈনবা খুদিংমক্না কুপ্না মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা কাঙলোন চুম্না থবক তৌগদবনি। তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা হৌজিক এম জি এন আর ঈ জি এসকী মখাদা থবক শুবসি য়াম্না নীংথিনা শুহন্নবা হোৎনবা তাই। স্কিম অসিগী মখাদা থবক শুরিবা অসিগী কান্নবা মীয়ামদা ফংহনগদবনি। থবক শুরিবা জোব কার্দ হোল্ডরশিংদসু শেল ফংগদৌরিবনি। হৌজিক ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা স্কিম অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা থবক কয়া শুরি। ওফিসলশিংনা নীংথিনা য়েংশিনবগা লোয়ননা স্কিম অসিগী চৎন-কাঙলোনশিং অদু ঙাক্লা চৎপা তাই। হৌজিক কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা চৎন-কাঙলোন কয়াসু থম্বনা মরম ওইরগা এম জি এন আর ঈ জি এসকী মখাদা থবক শুবা মতমদসু কাঙলোনশিং অসি ঙাক্কদবনি। সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। পি আর আইশিংনসু হিরম অসিগী মতাংদা নীংথিনা খঙহনবা তাই। কাঙলোন চুম্না থবক তৌরবদি এম জি এন আর ঈ জি এসকী মখাদা কান্নবা কয়া ফংগনি। থবক শুরিবা জোব কার্দ হোল্ডরশিংদসু শেল ফংগনি। স্কিম অসিগী কান্নবশিং অসি মপুং ফানা লৌনবা ঐখোয়না হোৎনবা তঙাইফদে। জোব কার্দ হোল্ডরশিংগীদমক নীংথিনা শেল ফংজনবা কাঙলোনশিংসু য়াৎপীগদবনি হায়খি।

অথুবদা শেন্নগনি

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

নেসনল হায়ৱে ৩৭দগী খারোমদা চৎলগা বাবুখাল অমদি বোরোইখাল খুন ফাওনরিবা উরোক থোং অদু য়াদনা লৈবদগী মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোওপরেসন মণিপুরগী ভাইস চ্যেরপর্সন কে শরতকুমারনা গাড়ী চৎপা য়াবা লম্বী ওইনা শেমখ্রে।

জিরিবামগী বিদ্যানগরদা লৈবা কে শরতকুমারনা খুঞ্জাশিংনা হায়বদগী মহাক্কী মায়কৈদগী কলভর্ট শেম্বগা লোয়ননা জে সী বি শীজিন্নদুনা গাড়ী চৎপা য়াবা লম্বী ওইনা শেমখি। নোংকন্না চুবনা মরম ওইরগা উকুশিং অদু ঈশিংনা চেন্থখ্রে। অৱাবা অদুদা কে শরতকুমারনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। খুঞ্জাশিংনা থেংনরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়বা ৱাফম থমখি। নোং-চীংগী ফীভম হেক ফবগা গাড়ী চৎপা য়ানবা শোয়দনা শেমগনি হায়না ফোঙদোকখি। হায়রিবা থোং অমদি লম্বী অসি য়াম্না মরুওইবা মফমনি। জিরিবামগী বাবুখাল, সবুঘাট অমদি বোরোইখাল খুন ফাওনরিবা উরোক থোং অদুসু য়াদনা লৈরমখিবনি হায়নসু মখা তারি।

এম পি সী সীদা পাউ ফাওরকপা য়াগনি

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

মপান্দা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর/লেভর/মহৈরোয়/পেসেন্ট/পিল গ্রিমশিংনা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা পীবা গাইদলাইনগী মতুংইন্না তেংবাংগীদমক পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়না এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) হরেশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ও বি সী দিপার্টমেন্ট এম পি সী সীগী চ্যেরমেন এস গুনমনিগী নম্বর ৯৩৬৬৫৫৩৭১৪/৯৮৬২০৪৬৯০৮, এম পি ৱাই সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি এস জোনিগী নম্বর ৯৮৬২৪১২৬৯৭, এম পি ৱাই সী সীগী ষ্টেট সেক্রেটরি অরাফৎকী ৮৮৩৭৪০৫১৬৯, দি ৱাই সী থৌবালগী ট্রেজরর ওক্রম বিশ্বনাথকী নম্বর ৮৫৭৫২৭৯২০৬, সপোর্টিং ষ্টাফ ওইনা এম পি সী সীগী ওফিস এসিষ্টেন্ট পি ঐচ হেমচন্দ্রগী নম্বর ৬০০৯৯৬১৫২০ অমদি এম পি সী সীগী ওফিস ষ্টাফ এস ঐচ রঞ্জিৎকী লেন্দলাইন নম্বর ২৪৫০১২৪দা কন্টেক্ট তৌবা য়াগনি হায়নসু মখা তারি।

কার্দবোর্দনা আইরনমেন শুইট অমদি...

লামায় ১গী মখা... হেলমেট শাবা হৌরকখি। মদুগী মতুংদা আইরনমেনগী মখূৎ অমুক শাখি। মখা তানা মহাক্না দুম-ই রোবোট অমদি মেকানিকেল রোবোটনচিংবা শারগা মোটোর শীজিন্নদুনা ফঙ্কসন তৌহল্লম্মী।

প্রেমনা মখা তানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা আইরনমেন রোবোট অসি মহাক মশাগা চান্নগদবা মওংদা শেম শারম্বনি। অদুবু মহাক্কী মনাওনুপা ক্লাস ফোর তম্লিবা প্রেমচান্দনা কন্না নিংঙাই তৌরকপদগী মনাওনুপা প্রেমচান্দগী মশাগা চান্নবা খোঙউপ, ফৈগল, খুবোম, হিপ অমদি হেলমেটনচিংবা শারগা ফিট তৌবনি। খুৎ অমদি হেলমেটনচিংবদা মোবাইল বেটরি শীজিন্নরগা লাইট ঙালহল্লি। খুৎতা ফিট তৌরগা হাপ্পা মোবাইল বেটরিগী মতেংনা মতেক খরা কাপ্পা য়ানবা নোংমৈনচিংবা হাপ্পী।

কাপথোকখ্রবা মরু অদু অমুক হন্না কাপ্পা য়ানবা লং অমনা নোংমৈ মরু অদু অমুক ফাজিল্লি। অদুগা টার্গেট তম্না কাপখিবা মরু অদু অমুক হন্না নোংমৈগী ট্রিগরদা হাপ্পা য়াহল্লি। হৌজিকমক্কী ওইনদি খুৎতগী মতেক খরা শান্না কাপথোকখিবা মরু অদু লংনা য়াল্লগা অমুক হন্না কাপ্পা য়াহন্নবগী মওংদা শীজিন্নরি। আইরনমেননা মৈখু মরক্তা চঙবদা নুংশা শ্বর হোনবদা ৱাদনবা হায়দুনা দ্রোপমাস্ক শাদুনা মশা মথন্তা অফবা এয়র পুথোক্লবা মনুংদা এয়র ফিল্টরনচিংবা হাপ্লগা শীজিন্নরি। দ্রোপমাস্ক অসিগী মনুংদা পংখা য়াওবা মোটোর অমসু হাপ্লগা নীংথিনা ফঙ্কসন তৌহল্লি। মসিদা নত্তনা মীৎনা উদবা অপীকপা পোৎলমশিং মশক খঙদোকপা ঙম্বা মাইক্রোস্কোপস মচানচিংবা শারগা মখাদগী লাইটনচিংবা কাপখৎলগা য়েংনবসু শারি।

প্রেম কার্টুন য়েকপসু য়াম্না হৈ। মহাক্না নরসরি তম্লিঙৈদগী হৌনা কার্টুর্ন য়েকপগী থবক অসি হৌরকখি। হৌজিক ফাওবা মহাক্না কার্টুন ষ্টোরি কলর অমদি ব্লেকহ্বাইটতা য়েকপা কয়াসু লৈহৌরি। মহাক্না কোলেজ চৎত্রিঙৈ মমাঙদা হোটেলগী থবক্তা মতেং পাংই। কোলেজ চৎলুরগা য়ুমদা হল্লক্লবা মতুংদা হোম টুইটর ওইনা অমুক চৎলি। নুমিদাংগী পুং ১১দগীনা নোংয়াই মতুং পুং ১ ফাওবা আইরনমেন অমসুং রোবোটনচিংবা শাবগী থবক অসিদা পুক্লিং চঙনা মায় ওনশিল্লি হায়রি।

হৈরোক্তা পাঙথোকপা আর্ট কম্পিটিসনশিংদা মহাক্না অয়াম্বা ফর্স্ত পোজিসন লৌই হায়রি। হৌজিক অনৌবা রোবোট খরা শানবা থৌরাং তৌরি। মণিপুরী ফিল্ম অয়াম্বা নুংশি-নুংওনগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইরগা পুথোল্লিবা অসিগী মহুৎতা সাইন্স ফিক্সনগী ওইবা খরসু পুথোকপা পাম্মী হায়রি। মহাক্কী তুংগী পান্দমদি থ্রি-দি গ্রাফিক অপগ্রেদ তৌবনি। ৱাখল মান্নবশিং পুনশিন্দুনা সাইন্স ফিক্সনগী মণিপুরী ফিল্ম পুথোক্লবা হোৎনবসু পাম্মী হায়রি। মহাক্না শারিবা রোবোটশিং অসি শেম শাবা লোইশিন্নবা হোৎনবদা শেল-থুমগী খুদোংচাদবা খরদি মায়োক্লে হায়রি।

অৱাবদা শরুক য়ারি

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

চীংদোম্পোক আইদিএল তোপ য়ুথ ক্লবকী হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা নিংথৌজম শ্যামকহ্নাই, হৈরোক পার্ট টু লিতান মখোঙদা লৈবা মীওই অসিনা হন্দক্তা লৈখিদবদা ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না ক্লব অসিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ক্লব অসিনা মহাক্কী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎলি। মহাক্না লৈখিদবসি চাউনা মাঙজবা অমনি। মহাক্কী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈবা ওইরসনু। লৈখিদ্রবা মীওই অসিনা হিংলিঙৈ মতমদা খুন্নাইগীদমক অফবা থবক কয়া তৌরম্মী হায়নসু মখা তারি।

মপান্দা পন্দুনা লৈরিবশিং ট্রেনদা...

লামায় ১গী মখা... মীৎয়েং চঙশিল্লি। হিংলবা মতমদা নুংঙাইবা লাক্কদবনি। হিংবা হায়বসি মরুওইবনা লৈঙাক্লা লায়না অসিদগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলকপনি। ফ্রন্টলাইনদা লৈরিবা ডোক্তর অমদি মেদিকেলগী ষ্টাফশিং লোয়ননা পুলিসশিংসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

ষ্টেট অসিদগী মীওই কয়া মপান ষ্টেটশিংদা নর্স ওইদুনা লৈরি। কোলকাটা, দিল্লিনচিংবা মফম কয়াদা কথোকপগা লোয়ননা মথৌ তৌবা মণিপুরদগী নর্স কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরি। মখোয়বু পূক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা করি তৌগনি হায়বদু লৈঙাক্লা য়াম্না কন্না খন্নরি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

ঙসি ফমখিবা কেবিনেট মীফম্না খ্বাইরক্পন্দ ইমা কৈথেল অহুম, পাউনা কৈথেল, থাঙ্গাল কৈথেল অমদি ইম্ফাল তম্পাক্কী অকোয়বদা লৈবা মরুওইবা কৈথেলশিং থিংনবা লেপ্পখি। মপান্দগী লাক্কদৌরিবা মণিপুরগী মীওইশিং অসিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা থবকশিং অসি পায়খৎপনি। খুঙ্গংগী লমশিংদদি কোমথোক্কনি। মপান্দগী ষ্টেট অসিদা লাক্কদৌরিবা মণিপুরীশিংনা ক্বারন্টিনদা লৈবা মতমদা নোংমদা মীওই অমদা লুপা ২০০/২০০ গী চাংদা পীগনি। মপান ষ্টেটশিংদগী ট্রেনদা লাকপগী অতোংমল লৈঙাক্লা পুথোক্কনি। ডোক্তরশিংগী এন পি এগী দিমান্দসু কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

হায় কোর্টনা এ জিদা এফিদেবিট ফাইল...

লামায় ১গী মখা... কোর্টনা মেটর অসি লৌখৎতুনা নাকল অনীগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা ওর্দর অমা পীখি।

ওর্দর অসিগী মতুং-ইন্না ঙসিগী পাউচে অমনা ইল্লিগেল মাইনিং লেপ্পুনা চত্থবনা থৌবাল তুরেলদা পোল্ল্যুসন থোকহল্লে হায়না ফোঙলকপা রিপোর্ট অমা রেজিষ্ট্রার (জুদিসল)না কোর্টতা রেকোর্দকীদমক থল্লক্লে। রিপোর্ট অসি কোর্টনা জুদিসল নোটিস ওইনা লৌবগা লোয়ননা কোর্ট অসিনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১২ দা পীখিবা ওর্দর অদুগী মতুংইন্না মেটর অসিগী মথংগী নুমীৎতা পীখিবা দিরেক্সনশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্লবা খঙহনখি। লোয়ননা কোর্ট অসিনা ফেব্রুৱারী ১৯দা পীখিবা দিরেক্সনশিং অদুগী মতুং-ইন্না এদভোকেট জেনরেলনা চেরোল অনীগী মনুংদা এফিদেবিট ফাইল তৌরক্লবগী অয়াবসু পীখি। অদুগা কোর্টকী রেজিষ্ট্রীগী মায়কৈদগীসু ঙসিগী পাউচে অদুগী কোপীশিং পি আই এল অসিগী এমিকস ক্যুরিশিং অমসুং এদভোকেট জেনরেলদা য়ৌহন্নবসু খঙহনখি।

ঙসিগী হিয়রিংদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা এদভোকেট অশেম মোহেন্দ্রোনা এমিকস ক্যুরি ওইনা লেপ্লগা এদভোকেট জেনরেল নাওরেম কুমারজিৎনা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখি।

অমরোমদা, সেকমাই ফোরেষ্ট দিভিজনগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসরনা ফাজিনখিবা গাড়ীশিং থাদোকপীনবা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস (পি আই এল) নম্বর- ৪ ওফ ২০২০সু ঙসি দিভিজন বেঞ্চ অসিনা লৌখৎলগা খন্নখি।

কোর্টনা পিটিস্নর খ্বাইরাকপম মায়পাকসনাগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র এদভোকেট বি পি সাহু অমসুং রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট জেনরেলগী ৱাফমশিং তাখি। লোয়ননা পিটিস্নরগী পিটিসনগী পেরাগ্রাফ মরিশুবদা হায়রিবা ৱাফমগা মার্চ ৩দা সিনিয়র টেক্নিকেল এসিষ্টেন্টনা পীবা রিপোর্টকী মরক্তা তাইওন্নবা খরা কোর্টনা থেংনবগী মতাংদা এদভোকেট জেনরেলনা ইন্সট্রক্সনশিং অখন্ননা লৌননবা কোর্টনা দিরেক্সন পীখি। অদুগা কেস অসি থা অসিগী ১২দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবসু খঙহনখি।

পোৎলম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

অন্দ্রো এ সীগী এক্স-মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারগী ৱার্করশিংনা কোভিদ-১৯গী লোকদাউননা অৱাবা মায়োক্লহল্লবা ওল য়াইরিপোক হোকর এসোসিএসনগী মেম্বরশিংদা মাস্ক অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

লান্না শন্দোক্লুবগী ফাখিবা মীওই...

লামায় ১গী মখা... পুলিসনা দ্যুটি মেজিষ্ট্রেট অমগী মমাংদা মহাকপু জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখি।

অদুম ওইনমক দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটনা মহাকপু লুপা লিশিং ৩০গী সিউরিটিদা বেলদা থাদোকখ্রে হায়রি। মহাক্না অরানবা পাউ অসি শন্দোরক্তুনা মীওই অসিনা পোজিটিভ ওইবদগী দুকানশিং থোঙ লোন্নখ্রে হায়রকপদগী মীয়ামগী মহৌশাগী পূন্সিদা অকায়বা পীখিবগীদমক মহাক্কী মথক্তা কেস অসি লৌখৎপনি হায়রি।

চান-থক্লবা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯গী লাম্থেং মরক্তা পাউমীশিংনা লৌরিবা থৌদাংবু পূক্লিং থৌগৎপা অমদি ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা ন্যু ইকনমিক ইভোল্যুসন ওফ ৱর্ল্ডনা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)দা চান-থক্লবা পোৎলম মতেং পাংখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা চান-থক্লবা পোৎলম খুৎশিন্নবা লাকখিবা অদুদা এন ঈ ঈ দব্লিয়ুগী প্রসিদেন্ট সচিকান্তনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা মতমসিদা মীদিয়াগী মীওইশিংনা অহিং-নুংথিল খায়দনা মীয়ামগী থবক তৌরি। মসিবু ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা অঙম্বা খুদোল তম্বনি হায়না মখা তাখি। অমজুদা শীন্নরম্বা আলু, তিলহৌ, কোবী, থাউ-থুমনচিংবা পোৎলমশিং অদু য়ুনিয়ন অসিনা মখা তানা মীদিয়া হাউসশিংদা য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

বেহাংদা লৈরিবা হেরিটেজ সাইট মশক থোক্লা শেমগৎননবা...

লামায় ১গী মখা... ইনস্ক্রিপসন লৈরিবা হেরিটেজ সাইট অসি প্রোটেক্তেদ এরিয়া ওইনা লাউথোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, ষ্টেট আর্কিওলোজি ওফিস, দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কল্চরনা মফম অসিদা মহারাজ চন্দ্রকৃত্তি মেমোরিএল পার্ক ওইনা শেমগৎনবা কুমজা ২০১৭কী দিসেম্বর ১৯দা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা ফাউন্দেসন ষ্টোন অমসু য়ুংখ্রবনি। ফাউন্দেসন ষ্টোন য়ুংখিবা অদুদা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হঙ্খালিয়ান অমসুং এম এল এ গিনস্বানহাও জৌসু শরুক য়াখিবনি। পুৱারীগা শাগোন্নরিবা মফম অসি মশক থোকপা হেরিটেজ সাইট ওইনা লৈহন্নবা শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈরি। হায়রিবা মফম অসি আর্ট এন্দ কলচরগী জোইন্ট দিরেক্টর য়াওনা ওফিসলশিংনা চৎতুনা য়েংশিল্লুরে। মণিপুরগী অরাপ্পা মফমশিংদা লৈরিবা হেরিটেজ সাইটশিং অসি মশক থোক্লা লৈহনবগা লোয়ননা মফমশিং অসিবু টুরিষ্ট দেষ্টিনেসন অমা ওইহনবা মথৌ তাই। মরমদি মণিপুরগী পুয়াশিংগা শাগোন্নরক্লবা অমদি পুৱারী তাক্লিবা মফমশিং অসি মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহনবগা লোয়ননা টুরিষ্ট দেষ্টিনেসন ওইহনবা হায়বসিসু মরুওইবা অমনি। মফম অসিবু মশক থোক্লা লৈহন্নবগীদমক মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা মরী লৈনবা মিনিষ্টর অমদি লৈঙাক্লা তানরগনি। য়ারিবমখৈ অতেনবা মতমগী মনুংদা শেমগৎনবসু হোৎনরগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মৈদিংঙু চন্দ্রকৃত্তিনা কুম্বী অমসুং মোইরাংগী খোংজাই কবুইশিংদা লান তৌবা চৎলম্মী। মহারাজগা লোয়ননা সৌকনিজম বলরাম, অহল্লুপ লাকপা তুলিহল মেজর, কাঙাবমচা থঙ্গাল অমসুং জেনরেল নথাল সাহেবকা লোয়ননা সরদার ১৩০ অমসুং লান্মী ১০০০গা লোয়ননা চৎলি। লান ঙমদুনা মণিপুরগী ঙমখৈ খঙনবা অচৌবা নূংগী মপৈ অনী থোক্লা পৈদুনা থনম্মী।

চৈথারোল কুম্বাবগী মতুংইন্না পীরম্বা লান্মীশিংদি মশীং য়াম্মী। অদুগা নূংদা হকপা খিবিক শ্রী লোকচাম্বা ধরমেশ্বর অমসুং শ্রী ৱাহেকপা শিজমচা প্রতাপ হায়না ইরম্মী। নূংদা হকপদা তেংবাঙবশিংদা শ্রী নোংথোনবা অমসুং ময়েনপনি হায়না কুম্বাবদা ইদুনা লৈরম্মী। মহারাজগী য়েৎ থংবদা থাংজিং মতৈ মনাওগী শক্তমসু নূংদা হক্তুনা য়ুংলম্মী হায়বসি য়াওরি। নূং য়ুংলিবা মফম অসিগী মায়োক্লবদা মহৌশাগী ওইবা অচৌবা ইকোল অমসু লৈ। ইকোল অসি খুঞ্জাশিংনা পাখঙবগী য়াথোকফমনি হায়দুনা লুনা লৌনৈ হায়দুনা ইরম্বনি।

নূং অসিদা ইংলিস ময়েক্না জেনরেল নথালগী মকোক ময়াদা কুমজা ১৮৭২ হায়না থাই। চিবু খুন অসি ম্যান্মারগা মণিপুরগা তাইনবা লমখৈদা লৈবা তোন্সিং খুলগী মনুং চন্না লৈবনি। ঙমখৈ অসিদা নূং য়ূম্বী ৪৫/৪৫ তুইভন্টি তুরেল অমসুং শুমতুই অনীগী ইতিন্নফমদা লৈ। মহারাজ চন্দ্রকৃত্তিনা য়ুংলম্বা নূং অসি পাকপনা সেন্টিমিটর ৮৫ অদুগা ৱাংবনা সেন্টিমিটর ১.৪০ ওই। অসিগুম্লবা য়াম্না লিরবা মণিপুরগী নিংথৌনা লান ঙমদুনা থম্লম্বা অমদি লমগী লমখৈ তাক্তুনা নূংদা হকপা অমদি ইদুনা থম্লম্বা কয়াসিদি কনবা ঙম্নবা হোৎনবা চঙই। হীরম অসিগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা লৈরুবনা করিগুম্বা খরদি শেমগৎ-শাগৎতুনা মশক থোক্লা লৈহনবা পাম্মী হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

লোকদাউন ৩.০ : কোমথোক্লুরবা হীরম খরা নৌনা অমুক...

লামায় ১গী মখা... অমদি জেসামিদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ীশিং ইন্টর ষ্টেট বোর্দর ফাওরগা চেলহনবা; পোৎ-চৈ পুথোক-পুশিন তৌবা ট্রকশিংগী দ্রাইভর অনী অমসুং হেল্পর অমগা লোয়ননা চেলহনবা; হায়ৱে পরিংদা লৈবা ট্রক শেম্ফম অমসুং ধাবা; হোস্পিটাল, নর্সিং হোম, ক্লিনিক অমদি দিস্পেন্সরি; মখল খূদিংমক্কী হীদাক-লাংথক য়োনবা ফার্মাসি; মেদিকেল লেবোরেটরি অমদি কলেক্সন সেন্টরশিং; ভেটেরিনরি হোস্পিটাল, দিস্পেন্সরি, ক্লিনিক অমদি মরী লৈনবা পেথোলোজিকেল লেবোরেটরিশিং; হোম দেলিভরিগী খূথাংদা এল পি জি ফংহনবা; পোষ্ট ওফিস য়াওনা পোষ্টেল সর্ভিস; টেলি-কম্যুনিকেসন অমসুং ইন্টরনেট সর্ভিস; ৱাটর/সেনিটেসন অমসুং ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট সেক্টর; খুঙ্গংগী মফমদা লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং; ফিশ ফার্ম অমদি ঙা ফাবগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং; ঙাগী মচীঞ্জাক শুংবা মফম; শঙ্গোম শুন্বা অমদি য়োনবগী থবক; পোলত্রি ফার্ম, পিগ্গরি অমদি দাইরিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং; শাগী মচীঞ্জাক শুংবা; রিজর্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া অমসুং ফাইনান্সিএল মার্কেট; বেঙ্ককী ব্রাঞ্চ খূদিংমক, এ টি এম অমদি বিজিনেস করেস্পোন্দেন্টশিং; চিলদ্রেন/ দিসএবল্ড/ মেন্টেল্লি চেলেঞ্জ/ সিনিয়র সিটিজন/ দেষ্টিট্যুট/ ৱিমেন/ ৱিদোগী হোম; ওল্ড এজ পেন্সন/ ৱিদো পেন্সন/ ফ্রীদম ফাইটর পেন্সন য়েন্থোকপা; নুমীৎ ১৫নিগী মনুংদা নোংমখক অঙ্গনৱাদি সেন্টর হাংদোক্লগা বেনিফিসরিশিংগী য়ূমথোঙ খূদিংদা চঙলগা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকপা; এম এন আর ঈ জি এগী থবক; প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া; কোরিয়র সর্ভিস; প্রাইভেট সিক্যুরিটি সর্ভিস; ফূদ প্রোসেসিং য়ুনিট; মিনরেল ৱাটর শেম শাবা অমসুং য়েন্থোকপা; রেষ্টোরেন্ট অমদি আউটলেটশিংনা হোম দেলিভরি তৌবা; লম্বী শেম্বা অমসুং রেলৱে প্রোজেক্টকী থবক পায়খৎপা; রুরেল ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী থবক পায়খৎপা; মেদিকেল অমদি ভেটেরিনরি য়াওনা ইমর্জেন্সি সর্ভিসকী লন্নাই গাড়ী চৎথোক-চৎশিন তৌবা; কোমথোক্লবা কেটগরিগী ইমপ্লোয়ীশিংনা থবক মফমদা চৎপা অসিনচিংবনি।

সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ওফিস পূম্নমক থোঙ হাংলগনি হায়না পল্লদুনা ওর্দর অসিনা হায়, ষ্টেট লৈঙাক্কী ওইনা অন্দর সেক্রেটরি থাক্কী মথক্তা লৈবা ওফিসর পূম্নমক ওফিস কাগদবনি। অতৈ কেটগোরিশিংগী ওইনদি চাদা ৩৩ পালি নাইনা থবক কাহনগদবনি। ট্রেজরি ওফিস পূম্নমক মথৌ তাবা ষ্টাফকা লোয়ননা হান্নগুম থবক তৌবা হৌরগনি। ইসেন্সিএল সর্ভিসকা মরী লৈনবা ওফিস পূম্নমকসু থোঙ হাংলগনি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ওফিসশিংদি মমাংদা সেন্টরনা পীখিবা গাইদলাইন মতুংইন্না ফঙ্কসন তৌরগনি। কনাগুম্বা ভিজিটর অমত্তা ওফিসতা চঙহনবা য়ারোই হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫গী মখাদা লৌখৎকদবা থৌরাংশিংগী মখাদা ওর্দর অসিনা হায়, মীপূম খূদিংমক মীয়াম তিনবা মফম নৎত্রগা থবক মফমদা চঙলকপদা ফেস মাস্ক উপহনবগা লোয়ননা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকহনগদবনি। মফম অমত্তদা মীওই মঙাদগী হেন্না পূনবা য়াহল্লোইদবনি। পব্লিক প্লেসতা তিন শীৎতোকপা মীওইশিং ফাইন থীহনবগা লোয়ননা চৈরাক পীগদবনি। য়ু, গুটকা অমদি হীদাক মনাগী পোৎলমশিং য়োনবা মপূং ফানা থিংগদবনি হায়রি।

ওফিস, ফেক্টরি অমসুং অতৈ ইষ্টাব্লিশমেন্টশিংদা চৎনগদবা কাঙলোনশিংগী মতাংদা ওর্দর অসিনা হায়, ওফিস বিল্ডিংগী চঙফম, মীটিং রূম, লিফ্ট, ৱাশ রূম অমদি ৱালনচিংবা পূম্নমক দিসইনফেক্ট তৌবা মথৌ তাই। থবক মফমদা চঙলকপা অমদি থোকখিবা মীওই পূম্নমক থর্মেল স্কেন্নিং তৌবা তঙাইফদে। গুটকা অমদি হীদাক মনাগী পোৎলম শীজিন্নবা মপূং ফানা থিংগদবনি। মথৌ তাদবা ভিজিটর অমত্তা থবক মফমদা চঙহল্লোইদবনি।